HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

ইম্ফালগী তেরা কৈথেলদা লৈবা পি দি এ কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ডা. কৃষ্ণনন্দনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগা লোয়ননা মপুরোয়বা লৈত্রবী নুপীশিংদা ৱিদো পেন্সন য়েন্থোকখিবা

সিকোনা নিঙোল চাক্কৌবগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি
☛ লামায় ২

ইনমেটশিংদা চাক পীজখিবগী শেল পীথোকপীয়ু
☛ লামায় ৩

খুন্দ্রাকপম এ সীদা হাউস কেম্প্যেন অমদি রোদ শো পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ৫

হিয়াংলম এ সীদি হন্না য়েংবীদবদগী হীরম কয়াদা শোথদুনা লৈরে : সঞ্জয়
☛ লামায় ৬

হিয়াংলম এ সীগী ৱাইখোম, খুঞ্জাও, কোমনাও অমদি এলাংখাংপোকপীগী মশাগী চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা অহলশিং অমদি মপুরোয়বা লৈখিদ্রবীশিংদা এন সঞ্জয়না পেন্সন য়েন্থোকখিবা

Vol. 45, Issue No. 220 | শগোলশেন, মেরাগী ২৯/৩০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, November 04, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

Want to apply for
VOTER ID ONLINE?
To register visit: www.nvsp.in
DOWNLOAD VOTER HELPLINE APP
Chief Electoral Officer, Manipur

গভর্ণরনা দিৱালিগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): দিৱালি কুম্মৈগী মাঙওইননা গভর্ণর লা গনেসননা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী চেরোল অমদা গভর্ণরনা হায়, দিৱালিগী কুম্মৈ অসি হিন্দুশিংগী খ্বাইদগী চাউবা অমসুং লৈবাক অসিগী মফম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লবা কুম্মৈ অমনি হায়রদুনা মৈগী কুম্মৈ অসিনা অরানববু অচুম্বনা মায়থীবা পী হায়বদু উৎলিবনি হায়রি।

নুমিৎ অসি রামনা রাবনবু মায়থীবা পীরদুনা অযোধ্যাদা হল্লকখিবা নুমিৎপু শিংথানবা নুমিৎনি হায়রি। দিৱালিগী অঙানবা মৈশিংনা মণিপুরগী মীয়াম মরক্তা লৈরম্বা নুংশিনদবা অমসুং তোখায় তান্নবগী ৱাখল্লোন পূম্নমক মাঙহনখিবা ওইরসনু হায়রি। লোয়ননা কুম্মৈ অসি লাকপগা ইরোয়ননা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা অমসুং চাওখৎপা ওইরসনু হায়নসু পাউজেল্লক্লি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর য়ূম্নাম খেমচান্দ, ৱাক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ, ফোরেষ্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইনসু দিৱালি কুম্মৈগী মাঙওইননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

চূড়াচান্দপুর অমসুং ফেরজোলগী কেম্প

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ইলেক্সন দিপার্টমেন্টনা স্বামি ভিবেকানন্দ নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ রিহেবিলিটেসন ত্রেনিং অমসুং রিসর্স (গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া) গা খূৎশম্নদুনা চূড়াচান্দপুর অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী দিসএবিলিটি পর্সন অমসুং পর্সন ৱিথ দিসএবিলিটিশিংগী ওইবা নোংমগী এসেসমেন্ট-কম-দিষ্ট্রিব্যুসন কেম্প অমা থা অসিগী ১২দা ৱাই এম এ হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩২.৭৯°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১২.৮৮°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৩
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩২

HL Poll

Q: Chinggi districtsingda Covid Vaccine kapthokpagi chang yamna nemlibasi meekhal mamangda loina kapthokpana chumloidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: District Magistrate singgi order thouoidaduna nongmei pikhatladaba meeoisinggi mathakta chap chaba action loukhatfam thoktra?

Yes 86% No 14%

অস! লোইরেহে!

- করি শারে ঐনা নুপী অনী লোনগনু হায়বিদ্রা?
- [illegible]



- হীরমসিদা এক্সপরিএন্স লৈরবা বাজিনা হায়বা ইনজখিদবা ঙসিদি নীংঙমলক্ত্রে।
- [illegible]

ষ্টেট ১৩গী এসেমব্লি সিট ২৯গী বাই ইলেক্সনদা কোংগ্রেসনা বি জে পিদগী মশীং হেন্না কারে

লোক সভাগী সিট ৩গী বাই পোলদসু বি জে পিনা সিট ১দগী হেন্না ফংবা ঙমদ্রে

ন্যু দেল্লী, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সী) : মমাঙ থাগী ৩০ (ওক্টোবর ৩০, ২০২১) দা পাঙথোকখিবা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১৩গী হাঙদুনা লৈরকপা এসেমব্লি সিট ২৯ অমসুং লোক সভাগী সিট ৩গী অহাঙবশিং মেনশিন্নবগীদমক পাঙথোকখিবা বাই ইলেক্সনশিংগী রিজল্ট ঙরাং লাউথোকখিবগা লোয়ননা বাই পোল পাঙথোকখিবা অপূনবা এসেমব্লি সিট ২৯গী মনুংদা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা শুপ্নতগী সিট ৭ খক্তদগী হেন্না ফংবা ঙমখিদবগা লোয়ননা লোক সভাগী বাই পোল পাঙথোকখিবা অপূনবা সিট ৩গী মনুংদা হান্নদগী বি জে পিনা সিট ২গী মপু ওইদুনা লাকখ্রবসু শুপ্নতগী সিট ১দগী হেন্না ফংবা ঙমখিদ্রে।

অপূনবা এসেমব্লি সিট ২৯গীদমক বাই ইলেক্সন পাঙথোকখিবা ষ্টেটশিংনা অসাম, ৱেষ্ট বেঙ্গল, হিমাচল প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ, মেঘালয়া, বিহার, কর্ণাটাকা, রাজস্থান, মহারাষ্ট্র, টেলঙ্গনা, অন্ধ্র প্রদেশ, মিজোরাম অমসুং হরয়ানানি। অদুগা লোক সভাগী সিট ৩গীদমক বাই ইলেক্সন পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিশিংনা দদ্রা এন্দ নগর হবেলিগী সিট ১, মধ্য প্রদেশকী খন্দৱা অমসুং হিমাচল প্রদেশকী মান্দি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিশিংনি।

পাঙথোকখ্রিবা ষ্টেট ১৩ অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি সিট ৩গী বাই ইলেক্সনগী কাউন্টিং লোইরদুনা মসিগী রিজল্টশিং লাউথোকখিবদা কোংগ্রেসকা বাই ইলেক্সন পাঙথোকখিবা সিট ২৯ মক্তা অকনবা লম্বা তৌনখিবা বি জে পিনা শুপ্নতগী সিট ৭ খক্তমক ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেসনা বি জে পিদগী সিট ১ হেন্দুনা পুন্না সিট ৮দা মায় পাকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী সিট ৩গী রিজল্টদনা কোংগ্রেসনা হিমাচল প্রদেশকী মান্দি পার্লিয়ামেন্টরি সিটতা বি জে পিগী মীরেপ বৃগেদিয়র কুসল চান্দ থাকুরবু মায়থীবা পীদুনা পুন্না ভোট চাদা ৪৯.১৪ ফংদুনা মায় পাকখি। মায়থীহৌরবা বি জে পিগী মীরেপ অসিনা ফংখিবা ভোটনা চাদা ৪৮.১৪ খক্তনি। অদুগা সিব সেনা লীংখৎলকপদগী অহানবা ওইনা পার্টি অসিগী হৌরকফম ওইরিবা মহারাষ্ট্রদগী হেন্দোরক্তুনা পার্টি অসিগী মীরেপ কালাবেন দেলকারনা দদ্রা এন্দ নগর হবেলি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বাদগী ভোট মশীং লিশীং ৫১ হেন্না ফংদুনা মায় পাকখি। লেমহৌরিবা মধ্য প্রদেশকী খন্দৱা লোক সভা কন্সটিট্যুএন্সিদনা কোংগ্রেস মীরেপ রাজনগয়ানসিংহনা ভোট ৫,৪৮,৯৬২ ফংলগা বি জে পিগী মীরেপ গ্যানেশ্বর পটিলনা ভোট ৬,৩০,৪৬২ ফংদুনা পার্লিয়ামেন্টরি সিট অহুমসিদা বি জে পিনা শুপ্নতগী *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

পুক্কে থন্না লৈরিবা কলচরবু য়োকখৎকদবনি : লা গনেসন

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস) : পুক্কে থন্না লৈরিবা কলচরবু য়োকখৎতুনা থম্বা ঐখোয়গী থৌদাংনি। লমদম অসিগী আর্টস এন্দ কলচর অমদি স্পোর্টসনা মালেমদা মণিপুরবু মশক তাক্লি হায়না মণিপুর ষ্টেটকী গভর্ণর লা গনেসননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি (জে এন এম দি এ), ইম্ফালগী ওদিটোরিয়মদা হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরনা পুথোকপা মণিপুরী দান্স দ্রামা 'কন্স ভধ' (কন্স হাৎপা) রিলিজ তৌবগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মণিপুর দান্স এন্দ দ্রামাদা হরিমতিনা লৌদুনা লাক্লিবা থৌদাংশিং

মালেমদগী কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মরূ ফংনা মুখৎলসি হায়বা দান্স দ্রামা 'কন্স ভধ' উৎখ্রে

তশেংনমক য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরনা শুপ্নগী তোঙান-তোঙানবা মণিপুর দান্স এন্দ দ্রামা কয়া পুথোকপা খক নত্তনা লমদম অসিগী দান্স অমসুং দ্রামা চাওখৎনবা অমদি য়োকখৎনবগী সেমিনার অমদি ৱর্কশোপ কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা য়াম্না ফজরবা আর্ট অমসুং কলচর কয়া লৈরি। মখোয়বু *...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

এদ্যুকেসন - এসকী এম টি এস লৌনবগী রিটন টেষ্টকী ৱাথোক

রিজল্ট হায়দোক্ত্রবদি বি জে পিদা ভোট পীরোই

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (স্কুলস) লোয়শঙনা লোয়শঙ অসিগীদমক মল্টি টাস্কিং ষ্টাফ (এম টি এস) কী পোষ্ট ৪১৩ লৌনবগীদমক রিটন টেষ্ট ফাওবা পাঙথোকখ্রগা হৌজিক ফাওবদা মসিগী রিজল্ট লাউথোক্তনা নমশিন্দুনা থম্বীরি হায়রদুনা করিগুম্বা লাক্লিবা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা রিটন টেষ্টকী রিজল্ট হায়দোক্ত্রবদি বি জে পিগী কেন্দিদেটশিংদা ভোট পীররোই হায়না এম টি এস এদ্যুকেসন (এস) ২০১৬-১৮ রিটন টেষ্ট এপিয়র্দ কেন্দিদেটসশিংগী কনভিনর সিনাম সোমানন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি কনভিনর অসিনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মল্টি টাস্কিং ষ্টাফকী থবক কৌখিবা অদু কুমজা ২০১৬তসু কৌখি। অদুবু মদুগী রিজল্ট হায়দোক্তনা নমশিল্লগা থম্লক্লিঙৈগী চৈরক্তা কুমজা ২০১৭ অমসুং ২০১৮দসু চহী অনীগী ওইনা পূনশিন্দুনা এম টি এসকী পোষ্ট ৪১৩ লৌনবগীদমক কৌখিবনি।

লোয়শঙ অসিনা পোষ্ট অসি লৌগনি হায়রকপদগী মসিগীদমক মীওই লিশীং ৫ হেনবনা শরুক য়াদুনা পোষ্ট অসিগীদমক রিটন টেষ্টতা শরুক য়াখিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা মদুগী রিজল্ট হায়দোক্তনা লৈরকপনি হায়রি। *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

চীফ মিনিষ্টরনা অহানবা ওইনা ত্রাইবেল ম্যুজিয়ম ২৯ শঙ্গাখ্রে

ৱাংহৌরিবা ত্রাইবেল ম্যুজিয়ম ২সু অথুবা মতমদা মপূং ফানা শাগৎপা লোইরগনি : বিরেন

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা চীংমী ফুরুপশিংগী ইনাক খুল্লবা কলচর, ত্রেদিসন, আর্ট অমসুং ক্রাফ্টশিং নিংথিজনা য়োক্তুনা থম্নবগী পান্দমদা ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট ১০দা নৌনা শাগৎখিবা ত্রাইবেল ম্যুজিয়ম ২৯ মহাক্কী সেক্রেটেরিএটদা পাঙথোকখিবা চীং লেল্লবা থৌরম অমদা ভর্চ্যুএল মোদতা শঙ্গাদুনা খূৎশিন্নখ্রে।

ঙসি মণিপুরগী ত্রাইবেল ম্যুজিয়ম ২৯ শঙ্গাবগী থৌরমগা মরী লৈননা মহাক্না হায়, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুর ষ্টেট আর্কিওলোজি, দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরগী মখাদা তোঙান তোঙানবা ত্রাইবেল ম্যুজিয়ম ৩১ শাগৎনবা থৌরাং তৌখিবনি। অদুবু অপূনবা ত্রাইবেল ম্যুজিয়ম ৩১ অসিগী মনুংদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা ৬, তেংনৌপলদা ৩, কাংপোকপীদা ৫, চূড়াচান্দপুরদা ৬, সেনাপতিদা ৪, তমেংলোংদা ৩ অমসুং ফেরজোল, *...মখা লামায় ৩ কলম ৫*

চীফ মিনিষ্টরনা চীংমী-তম্মীগী নিংঙোলশিং চাক্কৌখ্রে

ফুদ সেফটি ওফিসলশিংনা চ্যেক তৌখ্রে

চান-থক্লবা পোৎলম লৈবদা চেকশিনবীয়ু : ডা. রাজো

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): লাক্লিবা দিৱালি অমদি নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী মাঙওইননা লমদম অসিগী মীয়াম্না চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈবদা মতম হেল্লবা অমসুং হকচাং মাঙনীংঙাই ওইবা ময়ালশিং য়ানশিনবা য়াওবা পোৎলমশিং য়াওব্রা হায়দুনা চেক তৌবগী থবক ঙসিসু মখা তানা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী থঙ্গাল কৈথেল অমসুং আলু গল্লিনচিংবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী দ্রাইভ অদু মণিপুর লৈঙাক্কী এদিসনেল ফুদ সেফটি কম্মিস্নর অমদি দাইরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেস লম্ফেলগা পুন্না খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং মরু ওইনা হৈ-রা অমদি অথুম অহাওশিং চ্যেক তৌবগী দ্রাইভ অদুদা শরুক য়াখিবা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা পাউমীশিংদা হায়, ফত্তবা চিঙ্গাক চাশিনখিবনা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি হকচাং শোকহল্লক্কনি। মরম অদুনা মীয়াম্না চানবা পোৎলমশিং লৈবা মতমদা য়াম্না চেকশিনবীয়ু হায়খি।

হৌজিক দুকানশিংদা মতম হেল্লবা পোৎলমশিং অমদি ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপা হকচাংদা শোক্লিংঙাই ওইবা পোৎলম কয়া লেপ্তুনা চথ্রক্লিবা দ্রাইভ অসিগী মনুংদা য়োল্লম্বা থেংনরে। অসিগুম্বা মখলগী পোৎলমশিং অসিগী মায়োক্তা লোগী ওইবা থবকশিং লৌখৎলবা মতুংদা ফাগৎতুনা মাঙহল্লগনি হায়খি।

ঙসি ফাগৎখিবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা মোরেরোমদগী পুশিল্লকপা ঙা কৌতানচিংবা য়াওখি। দ্রাইভ অসিদা শরুক য়াখিবা দেজিগনেটেদ ফুদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসন *...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

দ্রাইভরশিং ফূরগা অমোৎপা শেংহল্লে

গোদাউন মেনেজরগী মথক্তা লোগী থবক লৌখৎলগনি : এম দি এ

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): মণিপুর দ্রাইভরস এসোসিএসন (এম দি এ) না ফুদ কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া (এফ সী আই) গোদাউনশিংদা দ্রাইভরশিংনা পোৎ থাবদা মরম চাদনা অরানবা মওংদা দ্রাইভরশিংদগী লৌরিবা শেনফমশিং লৌদনবা খঙহনখ্রবা মতুংদা ঙসি শওম্লুংগী এফ সী আই গোদাওনদা গেট চঙবদগী হৌরগা অরূম্বা ওনবা অমদি গাড়ীদগী পোৎ থাবদা মখা তানা রুলগী ৱাংমদা শেল লৌরম্বগীদমক গোদাউন অসিগী মেনেজরগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি হায়না মণিপুর দ্রাইভরস এসোসিএসনগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি খুন্দোংবম সঙ্গিৎচরননা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়, হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী এম দি এনা মণিপুরগী এফ সী আই গোদাউনশিংদা হান্নদগী দ্রাইভরশিংনা পোৎ থানবগী গোদাউনদা চঙবদা গেটতা চঙবগী য়াওনা অরূম্বা ওনবা অমসুং পোৎ থাদবগী ওইনা চাকা ৬ পানবা ত্রকশিংগীনা অমমমদা লুপা ৭৫০ অদুগা চাকা ১০ পানবা ত্রকশিংগীনা লুপা ৯০০ লৌদুনা লাক্লিবসি রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর টি আই) গী খূত্থাংদা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা থৌওং অসি রুলগী ৱাংমদা ওইরম্বদগী লৌদনবা এম দি এগী মায়কৈদগী খঙহন্দুনা লাকপনি হায়রি।

অদুবু ঙসি শওম্বুংগী এফ সী আই গোদাউনদা হায়রিবা ত্রকশিংদগী শেনফমশিং অসি মখা তানা লৌরম্বগা লোয়ননা মসিবু লৌদনবা হায়রুবা ত্রক দ্রাইভরশিংবু গোদাউন মনুংদা অমাংবা *...মখা লামায় ৩ কলম ৬*

পোজিটিভ ৫৭ থেংনখি, ১ লৈখিদে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস ৫৭ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মীওই ১ কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে হায়রি।

নৌনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অদুগী মনুংদা সী এ পি এফকী পর্সনেল ১ অমসুং জেনরেল পোপ্যুলেসনগী কেস ৫৬কী মনুংদনা নুপা ২৩ অমসুং নুপী ৩৩ ওইখি। অনৌবা কেসশিং অসি থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা ১৪, জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তা ৫ অদুগা অতোপ্পা টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা কেস মশীং ৩৮ থেংনখিবনি হায়রি।

পোজিটিভ ওইরবশিংদি ইম্ফাল ইষ্ট ১৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৯, থৌবাল ১, বিষ্ণুপুর ২, উখ্রুল ২, চান্দেল ২ অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি। মখোয়গীদমক লৌখৎফম থোকপা মাঙজৌনবা মেদিকেলগী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ত্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্টতগী কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা মীওই অমা লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওই ১ অসি থারগা হৌজিক *...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

দিষ্ট্রিক্ট ৯দা পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনদ্রে, থৌবালদা মীওই ১১০ টেষ্ট তৌবদা ১ খক্তমক পোজিটিভ ওইরে

হোম গার্দস এসোসিএসননা সী এমদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (ঐচএনএস) : লম্ফেল পাৎতা লৈরিবা মণিপুর হোম গার্দস (ভি এ) হেদ কার্টরদা ওফিস ওইরিবা মণিপুর হোম গার্দস এমপ্লোয়িজ ৱেলফেয়র এসোসিএসন, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা খূৎয়েক পীদুনা ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা মণিপুরগী হোম গার্দ পর্সনেলশিংগী ওইবা অকক্লবা রুলশিং শেম্বীদুনা মদুগী মতুংইন্না ত্রান্সফর অমসুং পোলিসি শেম্বীয়ু হায়জখ্রে হায়রি।

ঙসি পীশিনখিবা চেরোল অদুনা এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবশিংনা মণিপুর হোম গার্দস এক্ট, ১৯৮৯ অমসুং মসিগা মরী লৈনবা রুলশিংগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা হোম গার্দ মেম্বরশিংগী ওইবা ত্রান্সফর পোলিসি লৈত্রি। ত্রান্সফর পোলিসি লৈতবগী মথক্তা হোম গার্দশিংগী ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী থবকশিং রেগ্যুলেট তৌনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ষ্টেন্দিং ওর্দর/ওফিস মেমোরেন্দমনচিংবা অমত্তসু লৈত্রি হায়রি।

মরম অসিনা অসিগুম্বা হোম গার্দশিংগী অকক্লবা ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী রুল/পোলিসি লৈত্রিবা অসিগী খুদোংচাবা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

হোম গার্দস পর্সনেলশিংগী অকক্লবা রুল শেম্বীদুনা ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী পোলিসি শেম্বীয়ু

[illegible]
LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN
- Minimum Down Payment
- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
* Imphal East
* Imphal West
* Bishnupur

Pliz contact :- 8787688086
Working Hour :- 10:00 am to 4:00 pm
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar
HL-P/0299/10th Oct to 9 Nov.